

# সনালৈবাক স্পোর্টস



IMPHAL, TUESDAY, MARCH 26, 2019 **PAGE 7**


*ইন্দিয়ান প্রেমিয়র লীগকী পুৱারীদা খ্বাইদগী থুনা রন ৪০০০ লৌবা ঙম্বগী রেকোর্দ থম্বা থমখ্রবা কিংস এলভেন পঞ্জাবতা শান্নরিবা ক্রেষ্ট ইন্দিজ মচা খ্রস গেল*

*মীয়ামী ওপন টেন্নিসকী অহুমশুবা রাউন্দদা জর্মনিগী শান্নরোই টাটজানা মারিয়াগী মখূত্তা মায়থিহৌরবী মমাঙ সিজনগী চেম্পিয়ন য়ুএসকী স্লোনে ষ্টেফেন্স*

*ইন্দিয়ান প্রেমিয়র লীগ ২০১৯*

## দিল্লি কেপিটেলসনা মুম্বাই ইন্দিয়ান্সপু রন ৩৭ দা মায়থিবা পীখ্রে



*বোল ২৭ তা সিক্স ৭ অমদি ফোর ৭ য়ৈরগা আওট ওইদনা রন ৭৮ লৌখিবা দিল্লিগী বেটসমেন রিসব পন্ট (ওই)*

*কোলকটা, মার্চ ২৫ঃ*

ইন্দিয়াদা পাঙথোকপা টি–২০ ক্রিকেট লীগ টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা মকোক থোংবা ওইরিবা ইন্দিয়ান প্রেমিয়র লীগকী ১২শুবা ইদিসনগী ঙরাং অথেংবদা মুম্বাইনা লৈবা ৱানখেদি ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা ৩শুবা মেটচতা দিল্লি কেপিটেলসনা য়ুম্বু মুম্বাই ইন্দিয়ান্সপু রন ৩৭ দা মায়থিবা পীখ্রে।

মেটচ অসিগী টোস মুম্বাই ইন্দিয়ান্সনা ঙমদুনা ফিল্ডিং হান্না তৌখি। দিল্লি কেপিটেলসনা হান্না বেট্টিং তৌরকপদা অপীবা ওভর ২০ শান্নবা লোইশিনখিবদা ৱিকেট ৬ তুরগা রন ২১৩ লৌবা ঙমখি।

দিল্লিগী ওপনর পৃথবী সোশুপ্নগী রন ৭ খক লৌরম্লগা আওট ওইখি। নৌনা চঙলকখিবা টিম অসিগী কেপ্টেন শ্রিয়েস আয়রসু বোল ১০ মায়োক্লবদা সিক্স অমা অমদি ফোর ২ য়ৈরগা রন ১৬ লৌরম্লগা আওট ওইখিবদগী দিল্লিগী অপুনবা রন ২৯ শুরকপদা বেটসমেন ২ আওট ওইখি।

দিল্লিগী ৪শুবা বেটসমেন ওইনা চঙলকখিবা কোলিন ইনগ্রামনা ওপনর সিখর ধৱনগা য়াম্না ফজবা পার্টনর্সিপ অমা শেমদুনা টিম অসিগী রন ১০০ লাম্হোকহনবা ঙমখি।

কোলিন ইনগ্রাম বোল ৩২ মায়োক্লবদা সিক্স অমা অমদি ফোর ৭ য়ৈরম্লগা মশাগী রন ৪৭ শুরকপদা আওট ওইখি।

দিল্লি কেপিটেলগী ৫শুবা বেটসমেন রিসব পন্ট শান্নবা চঙলকখি। মহাক্না সিখর ধৱনগা পার্টনর ওইদুনা শান্নরকখি। সিখর ধৱন বোল ৩৬ মায়োক্লবদা সিক্স অমা অমদি ফোর ৪ য়ৈরগা রন ৪৩ লৌদুনা লৈরিঙৈদা মুম্বাইগী বোল্লর পান্দিয়ানা আওট তাহনখি।

মখা তানা শান্নবা চঙলকখিবা দিল্লি কেপিটেলগী বেটসমেন অহুম রন ১০ য়ৌনা লৌবা ঙমখিদে। ৫শুবা বেটসমেন ওইনা চঙলকখিবা রিসব পন্টনা য়াম্না ফজবা বেট্টিংগী পার্ফোমেন্স উৎপা ঙমদুনা বোল ২৭ মায়োক্লবদা সিক্স ৭ অমদি ফোর ৭ য়ৈরগা আওট ওইদনা রন ৭৮ লৌরম্বা অসিনা টিম অসিগী খ্বাইদগী ফজবা পার্ফোমেন্স ওইখি।

মুম্বাইগী বোল্লিংদা মিটচেল মেকক্লেনাঘাননা খ্বাইদগী ফজবা ওইনা দিল্লি কেপিটেলগী ৱিকেট ৩ লৌবা ঙমখি।

মুম্বাই ইন্দিয়ান্সনা মায় পাক্লবগী রন ২১৪ লৌনবা হোৎনরকপদা ২০শুবা ওভরগী ২শুবা বোলদা ৱিকেট ১০ মক আওট ওইরগা রন ১৭৬ খক লৌখিবদগী মেটচ অদু দিল্লি কেপিটেলনা মুম্বাইবু রন ৩৭ তা মায়থিবা পীরমখি।

মুম্বাইগী ওপনর অমদি কেপ্টেন রোহিট শর্ম্মা বোল ১৩ মায়োক্লবদা ফোর ২ য়ৈরগা রন ১৪ লৌরম্লগা আওট ওইখি। নৌনা চঙলকখিবা সুরিয়াকুমার যাদবসু শুপ্নগী রন ২ লৌরম্লগা আওট ওইখি। ৪শুবা বেটসমেন ওইনা চঙলকখিবা য়ুবরাজ সিংহনা টিম অসিগী ইন্নিংস শেমগৎনবা হোৎনরকখি। মহাক্না বোল ৩৫ মায়োক্লবদা সিক্স ৩ অমদি ফোর ৫ য়ৈরগা রন ৫৩ লৌরম্বা অসিনা টিম অসিগী খ্বাইদগী য়ান্বা স্কোর ওইখি।

টিম অসিগী শিংথাবা য়াবা স্কোরশিং অদুদি কৈরোন পোলার্দনা বোল ১৩ দা রন ২১ অমদি ক্রুনাল পান্দিয়ানা বোল ১৫ মায়োক্লবদা রন ৩২ লৌম্বা অসিনা ওইখি। অতোপ্পা বেটসমেনশিং রন নীংথিনা লৌবা ঙমখিদবদগী মেটচ অদু দিল্লি কেপিটেলনা মুম্বাই ইন্দিয়ান্সপু রন ৩৭ তা মায়থিবা পীরমখি।

## সুল্টান অজলান সাহ কপ্তা ইন্দিয়ানা পোইন্ট টেবলগী মকোক্তা লৈরিবা য়ুম্বু মালেসিয়াগা ঙসি শান্নগদৌরি



*ইপো (মালেসিয়া), মার্চ ২৫ঃ*

মালেসিয়ানা য়ুম্বু ওইরগা ঙসিদগী শান্নবা হৌখিবা ২৮শুবা সুল্টান অজলান সাহ কপ হোক্কী টুর্নামেন্টকী হয়েং শান্নগদবা গ্রুপ মেটচ অমদা ইন্দিয়ানা টুর্নামেন্ট অসিগী পোইন্ট টেবলগী মকোক্তা লৈরিবা মালেসিয়াগা লম্বা তৌনরগনি।

চথরিবা সুল্টান অজলান সাহ কপ হোক্কী টুর্নামেন্ট অসিদা টিম ৬ না রাউন্দ রোবিন মেটচ ৪ / ৪ শান্নরবা মতুং মকোক থোংবা টিম অনীনা ফাইনেল শান্নগদৌরিবনি।

সুল্টান অজলান সাহ কপ হোক্কী টুর্নামেন্ট অসিদা ইন্দিয়ানা মেটচ অনী শান্নবদা মেটচ অমা মায় পাক্লগা মেটচ অমা দ্রো চৎতুনা পুন্না পোইন্ট ৪ ফংলগা অহুমশুবা পোজিসনদা লৈরি। টুর্নামেন্ট অসিগী য়ুম্বু ওইরিবা মালেসিয়ানা মেটচ অনী শান্নবদা অনীমক মায় পাক্তুনা পোইন্ট ৬ ফংলগা মকোক্তা লৈরি। অদুগা সাউথ কোরিয়ানা মেটচ ২ শান্নবদা মেটচ অমা মায় পাকপগা লোয়ননা মেটচ অমা দ্রো চৎলগা পুন্না পোইন্ট ৪ ফংখ্রবসু গোল দিফরেন্সতা ফজখিবদগী অনীশুবা মফম কনবা ঙম্লি।

সুল্টান অজলান সাহ কপ হোক্কী টুর্নামেন্ট অসিগী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা মেটচ অমদা টুর্নামেন্ট অসিগী য়ুম্বু লৈবাক মালেসিয়ানা কুমজা ২০১৮ গী এসিয়ান গেমস চেম্পিয়ন জপানবু পাঞ্জল ৪–৩ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

মালেসিয়া অমদি জপাননা শান্নখিবা মেটচ অদু হেক হৌবদগী য়ুম্বু ওইবগী খুদোংচাবা লৌদুনা মালেসিয়ানা খুদুম চন্দুনা শান্নবা ঙমখি। মেটচকী ৩শুবা মিনটতা মালেসিয়াগী শান্নরোই ফাইজাল সারীনা ফিল্ড গোল অমগী মতেংনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল চনখি।

মেটচকী ৭শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমা মাঙজিল থাদুনা লৈরিবা মালেসিয়াগী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা আইমান রোজেমীনা ফিল্ড গোল অমগী মতেংনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ২–০ দা মাঙজিল থাখি।

পাঞ্জল শোখদুনা লৈরিবা জপানগী শান্নরোইশিংনা মেটচকী ১৭শুবা মিনটতা চথরকখিবা এটেক অমদা কাজুমা মুরাটানা ফিল্ড গোল অমগী মতেংনা পাঞ্জল অমা হন্দোকপা হৌখি।


অহানবা হাল্ফ লোইগদবা মিনট ৫ ৱাৎলিঙৈদা মালেসিয়াগী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা টিম অসিগী অহানবা পাঞ্জল চনখিবা ফাইজাল সারীনা ফিল্ড গোল অমগী মতেংনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ৩–১ দা মাঙজিল থারগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদা পাঞ্জল অনী শোখদুনা লৈরিবা জপানগী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না তৌদুনা লাকখি। মেটচকী ৩৭শুবা মিনটতা জপাননা চথরকখিবা এটেক অমদা কোটা ৱাটানবেনা ফিল্ড গোল অমগী মতেংনা পাঞ্জল অমা চনশিনবা ঙমদুনা ২–৩ দা শোখদুনা লৈখি।

শান্নবগী ৫৩শুবা মিনটতা মালেসিয়ানা ফংখিবা পেনাল্টি কোর্নর অমদা রাজি রাহিমনা পাঞ্জল অমা চনশিন্দুনা ৪–২ দা মাঙজিল থাদুনা মায় পাকপগী লম্বেল নকশিহনখি।

মালেসিয়ানা চনখিবা মরিশুবা পাঞ্জলগী মতুং মিনট অমা লৈরগা জপানগী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা কোজী য়ামাসাকীনা ফিল্ড গোল অমগী মতেংনা পাঞ্জল অমা চনশিনবা ঙমখ্রবসু মেটচ অদু মালেসিয়ানা জপানবু পাঞ্জল ৪–৩ দা থোইরম্লগা টুর্নামেন্ট অসিগী পোইন্ট টেবলদা পুন্না পোইন্ট ৬ ফংলগা মকোক ওইবা ঙমখি।

## সর্ভিয়াগী নোভাক জোকোভিস নুপাগী সিঙ্গলসতা মরিশুবা রাউন্দ চঙখ্রে, নুপীগী দিফেন্দিং চেম্পিয়ন য়ুএসকী ষ্টেফেন্সে লৈহৌরে



*মীয়ামী, মার্চ ২৫ঃ*

নুপাগী সিঙ্গলসতা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওইরিবা সর্ভিয়াগী নোভাক জোকোভিস মীয়ামী ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী মরিশুবা রাউন্দ চঙখ্রে, নুপীগী দিফেন্দিং চেম্পিয়ন য়ুএসকী স্লোনে ষ্টেফেন্স অহুমশুবা রাউন্দদা লৈহৌরে।

মীয়ামী ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা নম্বর ৱান সিদেদ ওইরিবা সর্ভিয়াগী নোভাক জোকোভিসনা ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা রাউন্দদা আর্জেন্টিনাগী এফ দেলবোনিসপু সেট অহুম চঙনা শান্নরবা মতুং ৭–৫, ৪–৬, ৬–১ দা থোইরম্লগা মরিশুবা রাউন্দদা ২২শুবা সিদেদ স্পেনগী বোটিষ্ট আগুটকা শান্নরগনি।

স্পেনগী বোটিষ্টা আগুটনা ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা রাউন্দগী মেটচতা টুর্নামেন্ট অসিগী ১৫শুবা সিদেদ ইটালিগী ফাবিয়ানো ফোগনিনিবু য়াম্না লায়না ষ্ট্রেট সেট অনী ৬–৪, ৬–৪ দা মায়থিবা পীরম্লগা মরিশুবা রাউন্দ চঙলকখিবনি।

নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা ৭শুবা সিদেদ ওইরিবা য়ুএসকী জোন ইসনরনা স্পেনগী রামোস ভিনোলাসপু ৭–৫, ৭–৬(৮–৬) তা থোইরম্লগা মরিশুবা রাউন্দ য়ৌখি।

ইসনরনা মরিশুবা রাউন্দদা ১২শুবা সিদেদ কানাদাগী মিলোস রাউনিকপু ষ্ট্রেট সেট ৬–৪, ৬–৪ দা থোইরম্বা ১৯শুবা সিদেদ বৃটেনগী কাইল এদমুন্দগা লম্বা তৌনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ১১শুবা সিদেদ ক্রোএসিয়াগী বোর্না কোরিকনা ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী ৩শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ফ্রান্সকী জেরেমী চার্দিবু ৬–৭(২–৭), ৬–২, ৬–৩ দা থোইম্লগা ৪শুবা রাউন্দদা ২৭শুবা সিদেদ ওষ্ট্রেলিয়াগী নিক কিরগিওসকা শান্নরগনি। কিরগিওসনা অহুমশুবা রাউন্দদা সর্ভিয়াগী দি লাজোভিসপু ৬–৩, ৬–১ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

মীয়ামী ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী মমাঙগী চেম্পিয়ন য়ুএসকী স্লোনে ষ্টেফেন্সনা টুর্নামেন্ট অসিদা ৪শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইনা শরুক য়ারকপদা ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা রাউন্দদা জর্মনিগী টাটজানা মারিয়ানা ষ্ট্রেট সেট ৬–৩, ৬–২ দা মায়থিবা পীরম্বদগী লৈহৌখি।


জর্মনিগী টাটজানা মারিয়ানা মরিশুবা রাউন্দদা জেক রিপব্লিক্কী মার্কেটা ভোন্দ্রৌসোভাগা লম্বা তৌনরগনি। ভোন্দ্রৌসোভানা ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা রাউন্দদা বেলজিয়মগী এলিজ মার্টেন্সপু ৬–৪, ৭–৬(৭–১) দা থোইরম্বনি।

নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা ৩শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবী রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপনা স্লোভেনিয়াগী শান্নরোই পোলোনা হরকোগপু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্লরবা মতুং ৫–৭, ৭–৬(৭–১), ৬–২ দা থোইরম্লগা মরিশুবা রাউন্দ য়ৌখি।

রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপনা মরিশুবা রাউন্দদা য়ুএসকী ভেনস ৱিলিয়মসকা লম্বা তৌনরগনি। ভেনসনা ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ১৪শুবা সিদেদ রুশিয়াগী দারিয়া কসাটকিনাবু ৬–৩, ৬–১ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

৫শুবা সিদেদ জেক রিপব্লিক্কী কেরোলিনা প্লিজকোভানা ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা রাউন্দদা ফ্রান্সকী এলিজ কোর্নেটপু ৬–৭(৩–৭), ৬–১, ৬–৪ দা থোইরম্লগা মরিশুবা রাউন্দদা কজখষ্টানগী য়ুলিয়া পুটিনসেভাগা লমবা তৌনরগনি।

## য়ুরো ক্বালিফায়র ঃ জর্মনি অমদি নোর্দর্ন আয়রলেন্দ মখোয়–মখোয়গী মেটচশিং মায় পাকখ্রে, হঙ্গেরিনা ক্রোএসিয়াবু পাঞ্জল ২–১ দা থোইখ্রে



*জর্মনি অমদি নেদরলেন্দসনা শান্নখিবা য়ুরো ক্বালিফায়রগী মেটচ অমদা শান্নরোইশিংনা বোল মুন্নবা*

*অমষ্টরদাম, মার্চ ২৫ঃ*

য়ুরো ক্বালিফায়রগী ক্বালিফায়িং ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা জর্মনি অমদি নোর্দর্ন আয়রলেন্দ মায় পাকখ্রে, রুশিয়াগী ফিফা ৱার্ল্ড কপকী রন্নর্স অপ তাখিবা ক্রোএসিয়া হঙ্গেরিনা ২–১ দা থোইখ্রে।

ক্বালিফিয়িং টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ ‘সি’ গী লীগ মেটচ অমদা জর্মনিনা নেদরলেন্দসপু পাঞ্জল ৩–২ দা থোইরম্বনি। মেটচ অসিগী ১৫শুবা মিনটতা জর্মনিগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা লেরোই সানেনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

মখা তানা শান্নরকপদা মতম খরা অহেনবা পাঞ্জল চন্নদনা লৈখি। শান্নবগী ৩৪শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমা মাঙজিল থাদুনা লৈরিবা জর্মনিগী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা সর্জ বেব্রিনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখিবদা মখোয়না নেদরলেন্দসপু পাঞ্জল ২–০ দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ হৌরকপা মিনট ৩ লৈরগা নেদরলেন্দসকী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা মাথিজ দি লাইটনা পাঞ্জল অমা হন্দোকপা হৌখি। নেদরলেন্দসকী শান্নরোইশিংনা মখা তানা জর্মনিগী মায়কৈদা এটেক কয়া চথদুনা পাঞ্জল চনশিন্নবা হোৎনদুনা লাকখি।

নেদরলেন্দসকী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেকশিং অদুগী হোৎনজমন ওইনা মেটচকী ৬৩শুবা মিনটতা টিম অসিগী শান্নরোই মেম্ফীজ দেপেনা পাঞ্জল অমা চনশিন্দুনা ২–২ দা মান্নহনবা ঙমখি।

মেটচকী লেমহৌবা মিনট ২৭ রোম অদু শান্নরকপদা টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা পাঞ্জল অমত্তা চনশিনবা ঙম্নদনা লাকখি। ইনজুরি টাইমগী অহানবা মিনট শান্নরকপদা জর্মনিগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা নিকো স্কুলজনা য়াম্না মরুওইবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা মেটচ অদু মখোয়না নেদরলেন্দসপু পাঞ্জল ৩–২ দা থোইরমখি।

গ্রুপ অসিমক্কী ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা লীগ মেটচ অমদা নোর্দর্ন আয়রলেন্দনা বেলারসপু পাঞ্জল ২–১ দা থোইরমখি। টিম অনীমক য়াম্না লম্বা মান্নরকখিবদগী অহানবা হাল্ফ শান্নরকপা মিনট ২০ হেন্না চঙশিল্লক্লবা ফাওবা পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা লৈখি।

শান্নবগী ৩০শুবা মিনটতা নোর্দর্ন আয়রলেন্দগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা জোন্নি ইভান্সনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা মাঙজিল থাবা হৌখি।

নোর্দর্ন আয়রলেন্দগী পাঞ্জল অদুগী মতুং মিনট ৩ লৈরগা বেলারসকী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা ইগোর ষ্টাসেভিসনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ১–১ দা মান্নরবা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদা মতম কুইনা অহেনবা পাঞ্জল চনশিন্নদনা লৈরকখ্রবা মতুং মেটচ লোইগদবা মিনট ৩ ৱাৎলিঙৈদা নোর্দর্ন আয়রলেন্দগী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা জোস মেজেন্নিসনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা মেটচ অদু ২–১ দা মায় পাকখি।

ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্ট অসিগী গ্রুপ ‘ই’ গী ঙসি শান্নখিবা লীগ মেটচ অমদা হঙ্গেরিনা ক্রোএসিয়াবু পাঞ্জল ২–১ দা থোইরমখি। শান্নবগী ১৩শুবা মিনটতা ক্রোএসিয়াগী শান্নরোই এন্টি রেভিচনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা মাঙজিল থাবা হৌখি। ৪৩শুবা মিনটতা হঙ্গেরিগী শান্নরোই এদাম সজালাইনা পাঞ্জল অমা চনশিন্দুনা ১–১ দা মান্নরগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা ৭৬শুবা মিনটতা হঙ্গেরিগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা মাটে পাটকাইনা পাঞ্জল অমা চনশিন্দুনা মখোয়না রুশিয়াগী ৱার্ল্ড কপকী রন্নর্স ক্রোএসিয়াবু পাঞ্জল ২–১ দা মায়থিবা পীরমখি।

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| ক্রোসৱার্দ ১১২ গী পাউখুম | | | | | | | | | | | | | | |
| V | A | L | O | R | | L | A | C | E | | R | A | S | H |
| E | L | O | P | E | | A | V | O | N | | I | S | L | E |
| R | E | S | E | T | | G | O | A | T | | D | I | O | R |
| S | C | E | N | I | C | | I | R | R | I | G | A | T | E |
| E | S | S | | R | O | A | D | S | I | D | E | | | |
| | | | D | E | M | I | | E | E | L | | M | A | R |
| R | E | M | O | D | E | L | S | | S | E | S | A | M | E |
| A | D | A | M | | | S | A | D | | | A | X | E | D |
| R | E | R | E | A | D | | P | A | L | O | M | I | N | O |
| E | N | E | | R | E | D | | L | O | R | E | | | |
| | | | I | M | P | E | R | I | A | L | | P | L | Y |
| E | V | E | R | Y | O | N | E | | D | E | C | R | E | E |
| Z | E | R | O | | S | I | F | T | | A | R | O | M | A |
| R | E | I | N | | I | S | E | E | | N | O | N | O | S |
| A | R | C | S | | T | E | R | N | | S | P | E | N | T |


**ꯃꯥꯡ / Sim Card Lost**

I have lost my Postpaid Sim Card bearing Phone Number 9436038019 issued by BSNL, on the way in between Uripok and Keishampat Junction on 23rd March 2019.

Finders are requested to hand over to the same the undersigned.

Sd/-
Potsangbam Memcha Devi
Uripok Khwai Bramapur
Lamphelpat, Imphal West
Mob. No. 9862054543

SL/4562/26


## সিন্ধু অমদি শ্রীকান্থনা ইন্দিয়ান ওপন বেদমিন্টনগী টাইটলদা মীৎয়েং থম্লি



*ন্যু দিল্লি, মার্চ ২৫ঃ*

ইন্দিয়াগী নুপী অমসুং নুপাগী সিঙ্গলসকী মকোক থোংবা সট্লর পি ভি সিন্ধু অমদি কিদম্বী শ্রীকান্থনা ইন্দিয়ান ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী টাইটল লৌনবগী মীৎয়েং থম্লি।

ইন্দিয়ান ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলসতা অনীশুবা সিদেদ ওইগদৌরিবী পি ভি সিন্ধু সেমি ফাইনেল ফাওবদি লায়না য়ৌরগনি। সিন্ধুনা মমাঙদা শান্নখিবা মেটচশিংদা মঙোন্দগী রেঙ্কিং হন্থবা শান্নরোইশিংগী মখূত্তা মায়থিবা নংখিবা লৈখিবনি।

ইন্দিয়াগী অতোপ্পা নুপীগী সিঙ্গলস শান্নরোই সাইনা নেহৱালদি মশাগী অনাবা অমা লৈবা মরম্না ইন্দিয়ান ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়াররোই হায়না ফোঙদোকখ্রবনি।

চাইনাগী মকোক থোংবা নুপাগী সিঙ্গলস শান্নরোই ইন্দিয়ান ওপনদগী ৱিদ্রো তৌখিবা মরম্না ইন্দিয়াগী নুপাগী সিঙ্গলস শান্নরোই কিদম্বী শ্রীকান্থ টাইটল লৌবগী খুদোংচাবা চাওনা ফংলগনি।

নীংশিংবা য়াই কিদম্বী শ্রীকান্থ কুমজা ২০১৭ দা মহাক্কী কেরিয়রগী খ্বাইদগী ফজবা ওইনা টাইটল ৪ লৌবা ঙমখিবনি।

নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা শরুক য়াগদৌরিবা অতোপ্পা ইন্দিয়াগী শান্নরোই সাই প্রনিথসু টুর্নামেন্ট অসিগী প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল ফাওবদি লায়না য়ৌবগী খুদোংচাবা লৈরি। পনবা য়াই, সাই প্রনিথনা হন্দক্তা লোইশিনখিবা ওল ইংলেন্দ বেদমিন্টন চেম্পিয়ন্সিপ্তা চাইনাগী এক্সপরিয়েন্স লৈরবা শান্নরোই চেন লোংবু মায়থিবা পীরম্বনি।